ওস্ট্রেলিয়াদা সনা আউন্স ২,৪০০ য়াওবা রোক কয়া ফংবা ঙমখ্রে

মেলবোর্ন, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী)ঃ ওস্ট্রেলিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা সনাগা তোৎশিন্নদুনা লৈবা অচৌবা রোকশিং ফংবা ঙমখ্রে। আর এন সী মিনরেলনা ফোঙদোরকখিবদা, মাইনরশিংনা সনা আউন্স ২,৪০০ য়াওবা অচৌবা রোকশিং ফংবা ঙম্লে। মদু দোল্লরদা পারবদি মিলিয়ন কয়াগী শেনফম ওইগনি হায়রি।

মাইনরশিংনা ফংখিবা সনাশিং অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা হায়রগদি কিলোগ্রাম ৯৫ য়ৌবা অদুনা ওইরি। কম্পেনি অদুনা সনাশিং অদু শুংদোকপদা ফংগদবা শেনফম অদু দোল্লর মিলিয়ন ১১ রোম ওইগনি হায়রি। মাইনিং এঞ্জিনিয়ার অমনা ফোঙদোরকখিবদা, অদুগুম্না সনা য়াম্না য়াওবা রোক ফংবা হায়বদু খ্বাইদগী তাঙনা থোকপা থৌদোক অমনি। সনাগী খোনিশিংদা ফাওবা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অদুক য়াম্বা সনাশিং মতম অমত্তদা ফংবগী রেকোর্দ লৈত্রি। ফংলিবা সনাশিং অদু অসুক্কী মতিক য়াম্মী হায়না প্রোফেসার সাম স্পেরিংনা ফোঙদোরক্লি।

সাম স্পেরিং ৱেস্টর্ন ওস্ট্রেলিয়া স্কুল ওফ মাইন্সকী দিরেক্টর ওইনা থবক পুরিবা মীওই অমনি। কার্টিন য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈবা মাইন স্কুলগী দিরেক্টর অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, ফংখিবা সনাশিং অদু দোল্লর মিলিয়ন কয়াগী ওইগনি। মদু লৈবাক অদুদা ফংবা খ্বাইদগী চাউবা অনীশুবা থৌদোক অমনি। সনা কেজি ৬৩ গী স্পেসিমেন্ট অদুদা সনা আউন্স ১,৬০০ য়াওই হায়না পান্নরি।

ওস্ট্রেলিয়াদা টন ১ রোম লুম্বা রোক অমদগী সনা কেজি ২ করিগুম্বা কান্দা শুংদোকপা ঙম্বা লৈখ্রে। প্রোফেসার অদুনা বি বি সী ন্যুজদ ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ফংলিবা রোকশিং অদু সনা য়াওবগী চাং ৱাংনা লৈ। টন অমদা গ্রাম ২,২০০ ফংবা য়াগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি তাঙনা থোকপা অমনি। করিগুম্বা কান্দা ওইথোক্তবা কয়াসু তাঙনা ওইথোরকপা থেংনৈ। সনাগী মকুপ্পশিং অদু মীৎনা উবা ঙমদবা য়াম্না কুপ্পা পোৎলমশিংনা শেমগৎলকপনি। মমাঙ চয়োলদা বেটা হন্ট মাইনদগী নিকেল ওপরেসন চথখিবসু লৈখ্রবনি। কম্পেনি অদুনা হৌজিক লৈনুংদা সনা কয়া লৈরমখিবা য়াই হায়বগী থাজবা থম্লি হায়রি।

লিবিয়াদা নোংমৈ পায়বা মীওই খুৎপু অমনা ওইল কোর্পোরেসন বিল্ডিংদা থোমজিন্দুনা এটেক চথখ্রে

ত্রিপোলি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী)ঃ নেসনল ওইল কোর্পোরেসন (এন ও সী) গী লিবিয়াগী কোনুং ত্রিপোলিদা লৈবা বিল্ডিংদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই খুৎপু অমা চঙশিল্লক্তুনা অকনবা এটেক চথরকখ্রে।

এন ও সীগী বিল্ডিং অদুদগী অমুবা মৈখু কয়া কারকপা মীয়াম্না উখ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সনা মফম অদুদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা খুৎলায় পায়বশিং অদুগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখ্রে। শিংথানিংঙাই ওইরবা নেসনল ওইল কোর্পোরেসনগী বিল্ডিং অদুদা বোম পোকখায়বা অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী অহৌবা মখোল কয়া তারি হায়রি।

মমাঙ চয়োলদা য়ু এননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংগা য়ানবা ৱাফম অমা পুরক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক লমদম অদুদা হৌজিক শাথিবা ফীভম অমা মায়োক্লরে। এন ও সীগী ওফিসল কয়া লৈরিবা হেদ ক্বার্টর বিল্ডিং অদুদা মিলিটেন্টশিং চঙশিল্লকখিবা অমসুং খুৎ থোক্লখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অশোক অপন নংখ্রবগে হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। থোঙনাও থুগায়দুনা চেন্থোরকখিবা এন ও সীগী ষ্টাফ অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই ৪/৫ রোম চঙশিল্লক্তুনা বিল্ডিং অদুগী মনুংদা তমথিবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌওংশিং চথরকখি। মীওই কয়া নোংমৈনা কাপশিনবা উখি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক মীওই কয়া য়াম্না খুদোংথিবা নংখ্রবগে হ হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

এন ও সীগী চেয়রমেন মুষ্টাফা সনালাদি মফম অদুদগী অশোয় অঙাম য়াওদনা কনবা ঙমখ্রে হায়না রোইটর ন্যুজনা ফোঙদোরক্লি।

খুদোংথিবা মায়োক্লরিবা বিল্ডিং অদুদা মী কনবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। বিল্ডিং অদুগী মনুংদগী চেন্থোরকপা অমদি শোক্লবা মীওইশিং অদুখক্তমক রেস্ক্যু তৌবগী থবক পায়খৎপা ঙম্লি। এটেক অদু করিগীদমক করম্বা কাঙলুপনা চথরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদে। লিবিয়াগী ওইল সেক্তর অদু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবনি। মতম শাংনা লিবিয়াগী লৈঙাক পায়রম্লবা মুৱামর গদাফি কুমজা ২০১১ দা ফম তাখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা মতম শাংনা ঈ-নাই তাবগী থৌদোক কয়া থোক্তুনা লাক্লি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী শেল-থুমগী ফীভমদা কা হেন্না শোকচিল্লক্লি হায়রি।

থা অসি হৌরকপদা ত্রিপোলিদা মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবা লৈখ্রে। মিলিটেন্টশিংনা ত্রিপোলিদা এটেক চথরকপা হায়বদু মরক মরক্তা থোকপা থৌদোক অমা ওইরি। লৈবাক অদুদা ঈ-নাই তাবগী থৌদোক কয়া থোক্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে।

ত্রিপোলিদা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অমা লৈবনা মরম ওইরগা মীওই লিশিং কয়া থংনবা নৎত্রগা মনাক নকপা মফমশিংদা চেন্নখি। অদুম ওইনমক চেনবা নংহৌদ্রবা নৎত্রগা চেলহৌদবা মীওই কয়া ত্রিপোলিগী য়ুমশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরি হায়রি।

মে থাদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা নেসনল ইলেক্সন কম্মিসনগী লৈবাক অদুগী কোনুংদা লৈবা ওফিসতা অকনবা এটেক চথদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবসু লৈখ্রবনি। লিবিয়াদা হৌজিক তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা মায়োক্লরি। ঙসি এন ও সীগী হেদ ক্বার্টরদা খুৎলায় পায়বশিং থোমজিল্লকখিবা অদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখ্রবগে হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

মোগাদিসু কার বোম এটেক্তা তরুক শিরে

মোগাদিসু, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): সোমালিয়াগী কোনুং মোগাদিসুগী মনুং চনবা হোদান দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা মশা শিজদুনা কার পোকখায়হল্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিরে। অদুগা ১৬ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না সোমালিয়া পুলিস অমসুং মেদিকেল ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসর অবুকর মহম্মদনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীদা ফোঙদোরকখিবদা, হোদান দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা সুসাইদ কার বোম্বর অমনা গাড়ী থৌজিল্লক্তুনা বোম পোকখায়হল্লকখিবদা মীওই তরুক্কী পুন্সি মাংখ্রে। মদুদা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট ওফিস অদুগী শরুক কয়া অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়রি।

ইমার্জেন্সি সার্ভিসকী প্রোভাইদর অমিন এম্বুলেন্সকী দিরেক্টরনা ফোঙদোকখিবদা, খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ১৬ শোক্তুনা হৌজিক লায়কন্নরি হায়রি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুনা মনাক নকপদা লৈবা বিল্ডিং কয়াসু অমাঙ অতা থোকহনখি হায়রি।

পেরিসতা থাঙনা থিনবগী এটেক চথরকপদা মীওই তরেৎ শোক্লে, থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অমা ফারে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী)ঃ ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা থাঙ পায়বা মীওই অমনা এটেক চথরকপদা মীওই তরেৎ অশোক অপন নংখ্রে। অশোকপশিংগী মনুংদা মীওই মরিগী ফীভম লুনা লৈরি হায়রি।

থৌদোক থোকখ্রবা মতুং অফঘানিষ্টানদগী লাকখিবনি চিংনবা মীওই অমা ফারে। থৌদোক অদু টেররিষ্টশিংগা মরী লৈনবগী খুদম ফংদে হায়রি। অহানবদা মীওই অদুনা এম কে টু সিনেমা হোল মনাক্তনুপা অনী অমসুং নুপী অমা থাঙথিন্দুনা শোকহনখি। হায়রিবা সিনেমা হোল অদু ওরক কেনেলগী পরিংদা লৈবা ক্বাই দে লোয়রদা লৈবনি হায়রি।

থৌদোক অদুবু হকথেংনননা উহৌবা য়ুসেব নাজা (২৮) কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, কেনেল অদুগী মতায়দা মহাক চৎলিঙৈ মতমদা মখুৎতা থাঙ পায়বা মীওই অমা চেল্লকপা উখি। মীওই ২০ রোম্না মহাকপু তান্নরকপসু উখি। মীওইশিং অদুনা থাঙ পায়বা মীওই অদুদা নুঙ লংশিনবসু উখি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মীওইশিং অদুনা পেন্টাক্যু বোলশিং শীজিন্নদুনা মীওই অদুদা লংশিনখি। পেন্টাক্যু হায়রিবা বোল অদু খুদুম অমরোম চাউবা য়োংনা শাবা বোলনি হায়রি। মীওই অদু লংশিল্লকখিবা বোল অদু পানবা উখি। অদুম ওইনমক মহাকপু ফাবদি ঙমখিদে হায়রি। মদুগী মতুংদা থাঙ পায়বা মীওই অদুনা বৃটেন্দগী লম কোয়বা লাকখিবা মীওই অনী মনাক নকপা ষ্ট্রিটতা শোকহল্লম্বা লৈখি হায়রি।

পেরিসতা লৈবা বৃটিশ এম্বেসিনা থৌদোক অদুদা শোক্লবা বৃটিশ মচা অনী অদুনীংথিনা লায়েংনবা পেরিসতা লৈবা মেদিকেল ষ্টাফশিংদা হায়জখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক এটেক চথরমখিবা মীওই অদু ফাবা ঙমখ্রে পেরিসকী মেয়রনা অরানবা তৌবা মীওই অদু ফাবা ঙমখিবগীদমক এন্টি ক্রাইম স্কাদকী পুলিস ওফিসরশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। মদুদা নত্তনা লম্বী অদুদা মীওই অদুবু ফানবা হোৎনবদা মতেং পাংখিবশিংবুসু থাগৎলক্লি হায়রি।

ফ্রান্সতা মথোং মরম খঙদনা এটেক কয়া চথরকখিবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। টেররিষ্টশিংনা এটেক কয়া চথরকখিবসু লৈখ্রে। ফ্রান্স পুলিসনা ফীভম কয়া অদু লাকশিন্নবা হোৎনরবসু টেররিষ্টশিংনা চথরকপা এটেকশিং ঙাকথোকপা ঙমদ্রি। টেররিষ্টশিংনা এটেক চথগনি হায়বগী ৱাফমশিং ফোঙদোরকপা লৈতবনা চপ চাবা থবক পায়খৎপদা অৱাবা অমা মায়োক্লরি। হৌখিবা থা খরা অসিদা ফ্রান্সতা থাঙ পায়বশিংনা এটেক চথরকপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে হায়রি।

ইদলিবতা লৈবা রিবেলশিংদা টার্গেট তৌদুনা সিরিয়া, রসিয়ানা অকনবা এটেক চথখ্রে

দমাস্কস, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সী): সিরিয়া অমসুং রসিয়াগী ফোর্সশিংনা রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা ইদলিব প্রোভিন্সতা অকনবা মওংদা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে।

ইদলিব প্রোভিন্সকী নোংপোক থংবা অমসুং খা থংবা শরুকশিংদা মরুওইনা হমাগা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা অকনবা এটেক চথরি। রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরম্বা মফম কয়া সিরিয়া লৈঙাক্লা লৌশিনবা ঙমখ্রবনি। নাকল অমরোমদা, সিরিয়াদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনৈ হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং রসিয়া অমসুং ইরান্না য়াখিদ্রে। থাংজ নুমীৎতা য়ুনাইটেদ কিংদমদা বেজ তৌবা সিরিয়া ওবজার্ভেটর ফোর হ্যুমেন রাইটস মোনিটরিং গ্রুপনা ফোঙদোরকখিবদা, ইদলিবতা লৈঙাক্কী হেলিকোপ্টরনা বেরেল বোম ১৯ রোম থাদখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। মদুদা নত্তনা রসিয়াগী লানগী প্লেনশিংনা ৬৮ রক হন্না এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে। লমদম অদুদা হৌজিক খ্বাইদগী শাথিবা ঈ-নাই তাবগী থৌদোক থোক্লি হায়রি।

ঙসি চথরকখিবা এয়র ষ্ট্রাইক্তা ইদলিবকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অঙাং অনী য়াওনা মীওই মরিগী পুন্সি মাঙখ্রে। রিবেলশিংনা খুদম চনবা অরোইবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কন্না লৈবা মফম অমা হায়রগদি ইদলিব ওইরি। মফম অদুদা লৈঙাক্কী লান্মীনা রিবেলশিং তকথোক্লবা অকনবা থৌশিল চথরি। হৌখিবা চহী ৭ রোমগী মমাঙদগী সিরিয়াদা সিবিল ৱার থোকপনা মরম ওইরগা মীচম কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। অদুগা মীওই মিলিয়ন কয়ানা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি। ইদলিব প্রোভিন্স অকক্লবা রিবেল কাঙলুপ অমখক্লা খুদুম চনবা ওইদ্রি। তোঙান তোঙানবা রিবেল কাঙলুপ কয়া মফম অদুদা লৈরি। অদুগুম্বা রিবেলশিং অদু অলকাইদাগা শম্নবা কাঙবুশিংনি। অদুগা টর্কিনা শৌগৎপা নেসনল লিবরেসন ফ্রন্টকী কাঙবুশিংসু লৈরিবনি হায়রি।

ইদলিবতা হৌজিক রিবেল অমসুং জিহাদিস ফাইটর লিশিং ৩০ রোম লৈরি হায়না পান্নরি। লমদম অদুগী পাক চাউরবা মফম কয়াদা মীচমশিংসু লৈরিবনি। মীওই মিলিয়ন ২.৯ হৌজিক অৱাবা কয়া খাংদুনা লৈরি হায়রি।

গ্লোবেল ক্লাইমেট সম্মিটনা ইমিসন হন্থহন্নবা খঙহল্লগনি

সান ফ্রান্সিস্কো, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): সান ফ্রান্সিস্কোদা নুমীৎ হুম্নীগী ওইবা গ্লোবেল ক্লাইমেট সম্মিট চৎলিবা থা অসিগী ১২ দগী হৌদুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈবা লল্লোন-ইতিক্কী লুচিংবা, ইনভেষ্টর, সিটিজন অমসুং লৈঙাক্কী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অদুদা চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী মীহুৎশিংসু য়াওগনি হায়রি। মালেমগী ওইনা গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবা খন্নবগা লোয়ননা লৈবাক কয়াগী প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরশিংনা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা ৱারেপ লৌরগনি হায়রি। থৌরম অদুদা মালেমগী ওইনা মশক নাইরবা লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওইশিং শরুক য়ারগনি। কুমজা ২০১৫ দা অহানবা ওইনা লৈবাক ১৯৭ না শরুক য়াদুনা পেরিসতা মীফম পাঙথোকখিবা লৈখ্রে। পাঙথোকখিবা থৌরম অদুনা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লব হোৎনরি। মালেমগী লৈবাক ১৮০না পেরিস কনভেন্সনগী ৱাফম অদু ঙাক্লা চৎপা তঙাইফদবা অমা ওইরি।

হৌজিক মালেমগী ওইনা শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলগা গ্রীন হাউস ইফেক্ট থোকহনবা গ্যাসশিং থাদোকপগী চাং হন্থহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি। মদুগীদমক মালেমগী ওইনা চপ চাবা থৌশিল অমা পায়খৎকদবনি। পেরিস এগ্রীমেন্টকী মখাদা লৈবাক কয়ানা মালেমগী ওইনা শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অদুগী মতাংদা খঙমিন্নবা অমসুং ইন্দষ্ট্রি লৈত্রিঙৈ মমাঙদা ওইরম্বা ফীভম অদুগা চাংদম্নদুনা শাবগী চাং হন্থহন্নবা খন্নখি হায়রি।

জপান আর্টক্বেক্তা শিখিবা মীগী মশিং ৪৪ শুখ্রে, মীওই ৬৬০ শোক্লে

টোকিও, সেপ্টেম্বর ১০(এজেন্সী): জপান্দা হারকখিবা অকনবা য়ুহানা শিহনখিবা মীগী মশিং ৪৪ শুখ্রে। অদুগা মীওই ৬৬০ না শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়না ঙসি লৈঙাক্কী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ চয়োলদা হাখিবা অকনবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা ইলেক্ট্রিক ফংহনবা ঙমদ্রে হায়রি। মদুনা মরম ওইরগা টোইয়োটাদা লৈবা প্লান্ট কয়া থবক তৌবা ঙমহন্দ্রে হায়রি। শগোলশেন নুমীৎতা মেগনিচুদ ৬.৭ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা জপানগী তোঙান তোঙানবা ঈথৎশিংদা তৌগদবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙমখিদ্রে। হোকাইদো ঈথৎতা মহৌশাগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপা ঙমখিদ্রে। য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিন অমসুং ট্রেন চৎপদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লে হায়রি।

ফায়র এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সীনা মীওই ২,৫০০ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ থোকপনা মরম ওইরগা য়ুম কয়া ফুমজিনখ্রে। মদুদা নত্তনা অকনবা নোং চুরকপদগী মখা তানা লেন্দস্লাইদ থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখিবনি হায়রি।

থাঙনা থিল্লম্বদগী শোকখিবা পোলিটিসিয়নগী ফীভম ফগৎলক্লে

রাইও দি জেনরিও, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): ব্রাজিলগী ফার রাইট মীরেপ ওইখিবা অমসুং থাঙনা থিন্দুনা শোকহল্লম্লবা লুচিংবা অদুগী হকচাংগী ফীভম ফগৎলক্লে। মীওই অদুনা শগোলশেন নুমীৎতা ভোট খোম্বগী থবক চথরিঙৈদা শকখঙদবা মীওই অমনা থাঙনা থিল্লমখিবনি।

বোলসোনারো (৬৩) থাঙনা থিল্লম্বগী থৌদোক অদুদা লুনা শোকপগা লোয়ননা থিবোং থিরিন্দা অশোকপা লৈবনা মরম ওইরগা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভমদা লায়কন্নরকখিবনি। মহাক্কী ঈগী চাং চাদা ৪০ থোকখিবনা মরম ওইরগা কা হেন্না খুদোংথিহনখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা মরাল লৈবশিং ফাননবা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

[illegible]/DALMATION PUPPIES (AVAILABLE)

হুই মচা (Dalmation) অহোঙবা মমলদা ফঙবীগনি। পাম্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/2122/11

Contact No. ☎ 7005960587

[illegible]/ নুঙশংগী ওজাবু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙ হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপনি। লাইওংদি:- পোম্বা, তঙবা, নাই চারকপা অদুগা মখুৎ হুৎলকপা, মচুম তারকপা অসিনি। লায়বক ফবদগী মরুপ অমনা হৈঙাংদা চৎলু তাক্লকপদগী চৎচরুরে। **নাওরেম ইবোমচা, ফোন নম্বর ৮৭২৯৯৬০৪১১/** ৮০১৪০২৩৭৯২ গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু পুংফ ফজরে। নুংশিরবা ওজাবু মতম পুম্বগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা ঃ Laitonjam Jayenta Singh (47 yrs.)

Patsoi Makha Leikai Part-IV

HL-P/5342/9/9-24/9

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

NOTIFICATION

Imphal, the 10th September, 2018

No. 3/15/2008-HSC(Vol.-IV)/4419: In continuation of this office notification of even no. dated 31st August, 2018 and this office notification no. 3(II)/1/10-HSC(Vol-I) dated 30th August, 2018 and in view of All India Bandh being called on 10-09-2018, it is, hereby, notified for information to all the concerned that the last date of issue and submission of prescribed **application form for obtaining the *Eligibility Certificate*** for admission in Class-XI during the current academic session, 2018-2019 in the institutions under the Council and **online submission of completed Registration Application form & Enrolment List** for Class XI and Enrolment List for Class XII along with necessary fee and documents has been extended upto ***11-09-2018*** and the rate of fee and fine will remain the same.

Sd/- **Babudhon Sapamcha**
Secretary L/A,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

HL-B/4846/11

TODAY [illegible] TODAY

HOUSIE BUMPER DRAW

In aid of

Sana Kunung Meira Paigbi Lup
Regd. No. 580/SR (IE) 2016

Ticket Rate Rs. 1,500/-

Ticket Rate Rs. 1,500/-

Date/Time :- The 11st Sept., 2018 (Tuesday) at 5.00 p.m.

PRIZES

2 Ticket Quick 7 Activa 5G

2nd HOUSEFULL Royal Enfield

3rd HOUSEFULL Activa 5G

1st HOUSEFULL Renault Kwid

2 Ticket Rate Rs. 3,000/-

MINI BUMPER
Ticket Rate :- Rs. 300/-
Prizes :- Rs. 1 Lakh

Quick 5, STAR, 1st Line, 2nd Line, 3rd Line Rs. 5000/- Each

VENUE : Sana Konung Lampak Community Hall, Palace Compound

HL-P/5350/11



CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

8th Position LANCHENBA OINAM HSLC Exam 2018; 94% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)
19th Position DEEPAK OINAM HSLC Exam 2018; 92% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hm)
ROHIT KHUMUKCHAM HSLC Exam 2018; 75.8% (Man, M, Sc.)
MAIBAM STEPHEN HSLC Exam 2018; 74.5% (Man, M)
LUNGINMANG HAOKIP HSLC Exam 2018; 72.6% (MIL, E)

Classes for new last batches starts from 10th Sept. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- #Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4822/30/8-30/9

EDUCITY TUTORIALS
[illegible] Limited Seats!

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm

Contact: 9612194500 | 8731977228

ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)

- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)

CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:

FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nomidy (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mithunjoy (3 Yrs Experience in Teaching)

1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wenlliam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Benjo (5 Yrs Experience in Teaching)

HL-B/4797/17/8-15/9